শান্নরিঙৈদা অৱাংবা থাক য়ৌবা ঙমখিদ্রবসু রেফ্রি ওইনা ইন্টরনেসনল য়ৌননবা অমুক হোৎনরকখি ঃ এল বালেশ্বর সিংহ

এল বালেশ্বর সিংহ
(ভেটেরান প্লেয়র, বোল্লিবোল)

FIVB - DC - CHENNAI - INDIA
17th to 2 JANUARY 2004

(হান্নগী মখা...)

লাইরিকসিদসু ঐনা তমজরিবদু এম এস সী ফিজিক্সনি। ক্লাস চাং নাইনা য়াওদুনা মদুসু অদুম কায়দনবা হোৎনজরকখি। শান্নবসিসু মতম কায়থোক্লগা লেপ্তুনা অদুম শান্নজরকখি। মদুনা পূক্নিং ৱাখলসু হেন্না নুংঙাইহল্লি। মতমদুদা ঐনা হোৎনরিবদু ঙম্না ঙম্ননবা হায়বদুনি। অমরোমদা, কুমজা ১৯৮৮/৮৯ দা কেরলাগী মহাত্মা গান্ধী য়ুনিভর্সিটিদা তৌখিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টুর্নামেন্টতুদগী ঐহাকসি ইন্টরনেসনল ত্রাইএলদা য়াওননবা খঙ্গৎলকখি।

মণিপুরদগী ইতোমতমক য়াওরকখি। মদু তশেংবদি ফেদ্রেসেন কপ্তা ইন্দিয়াগী বোল্লিবোল টিম অমা থানবগীনি। কম্বাইন্দ য়ুনিভর্সিটি টিম অমা শেম্ননবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটিদগী পূন্না প্লেয়র ৩৬ নি মতমদুদা কৌখৎলিবদু। ঐহাকসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্লেয়র অমা ওইনা ত্রাইএল কোচিং কেম্পতু য়াওরুনবা দেল্লিদা চৎচখি। ঐহাক হৌজিক ফাওবা নীংশিংজরি, হায়রিবা কোচিং কেম্পতু নুমিৎ ১৫ নিরোম চথখি। মতমদুদা ঐখোয়বু কোচিং পীবিখিবসিনা রাষ্ণিগী সেখর বোস হায়বা সার অসিননি।

নুমিৎ তরামঙানি কোচিং পীরবা মতুংদা মী ১২ খনখি। অদুগা মী মরি অমনা রিজার্ভ ওইনা থমখি। ঐসু রিজার্ভ প্লেয়র মরক্তুদা মীং য়াওরকখি। শান্নবদুদা কেরলানা, হরিয়ানানা, টামিল নাদুনা ঐখোয়দগী য়াম্না হেনবদি নত্তে। হৈবদি চাংচৎতা লোইনমক হায়ফেৎ মান্নে হায়বা য়াই।

তৌবতদি হাইটকী মতাংসিমদি মখোয়না ইঞ্চি খরা অদুম হেল্লি। হৈবা হায়ফেৎ মান্নবা মরক্তীদি খিত্তং ৱাংবা হেনবসিনা অদুম খনখি। অদুদগী ৱাখলসি নুংঙাইতনা মণিপুরদা থোরকখি। বোল্লিবোলসি ইশানসু থৱায় হকচাং য়াওনা পামজৰবনিনা গেমসিগী মতাংদা করিগুম্বা খরদংদি তৌরমগে হায়বসি ঐগী ৱাখলদা অদুম উংলগা লৈখি।

অমরোমদা, মাষ্টরসিসু ৫৫.৫ পার্সেন্ট চৎলগা (এম এস সী ফিজিক্স) কুমজা ১৯৯২ দা লোইশিল্লে। বোল্লিবোলসিদি ইশানা পামজবনিনা অদুম মখা তানা শান্নজরকখি। কুমজা ১৯৯৭ তদি ঐঙোন্দা ৱাখল অমা লাক্লে। ঐহাকসি বোল্লিবোল হায়বা মশান্নসিদা ইন্টরনেসনল প্লেয়র ওইবা ঙমহৌদ্রগসু ইন্টরনেসনল রেফ্রি অমদি ওইনবা হোৎনরগে হায়বসি খল্লকখি। তৌবগীসু মণিপুর টিম্না কুমজা ১৯৭৬ তগী নেসনল থাক্তা শান্নরকখিবসি ঙসি ফাওবদা ষ্টেটসিদগী বোল্লিবোলদা ইন্টরনেসনল প্লেয়র অমত্তা পুথোকপা ঙমদ্রি। মসিমসু ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইজদে।

কদাইদা শোয়রিবনো, হাইটখক্তনা অচৌবা মরম অমা ওইব্রা হায়বসি ইশানসু মতম চুপ্পদা হংদুনা লাকচখি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে রেফ্রি ইগজামসিমদি থাদোক্লগে খন্দুনা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন্দা এপ্লিকেসন অমা থারে। ৱারোলদুদা, রেফ্রি ইগজাম থাবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়না ইরে। ষ্টেটকী ওইনা লৈরিবা রুল এন্দ রেগুলেসন্দু নিংথিনা এপ্লাই তৌদুনা চহী অহুম চঙনা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ, থার্ড হায়দুনা লৈরিবা ইগজামদু থারে। মদু লোইরবা মতুং চহী অহুমগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মতুংদা নেসনল ইগজাম থাবা য়াগনি হায়বদু ঙাইরে। ষ্টেটকী থাবদুসু ঐনা তোপ ওইরে। মদুগী মখা তারকপা কুমজা ১৯৯৭ তদি ঐহাক বিশাখাপত্নমদা নেসনল রেফ্রিগী ইগজাম থাবা চৎলে। ইশানসু পামজনা চঙশিঞ্জরকপা লম্বেলনিনা মায় পাক্লসু কন্না হোৎনজরে। ওল ইন্দিয়াগী ওইনা মদুদা ঐহাক সেকেন্দ তাজখি। ঐনা তৌজরিবদুদি ইন্টরনেসনল রেফ্রি অমা ওইননবগী টার্গেটনি।

নেসনল রেফ্রি ইগজামদুদা সেকেন্দ তাবদগী মদুদা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ, থার্ড তাবা মীওইশিং খঙ্গৎলকপদা ঐসু য়াওবা ঙল্লে। লোয়ননা কুমজা ১৯৯৮ দা চেন্নাইগী নেহরু ষ্টেদিয়মদা তৌগদবা ইন্টরনেসনল রেফ্রিগী রিফ্রেসর কোর্সতা য়াওনবগী খুদোংচাবসু ফংলে। অদুগা এসিয়াগী ওইনা বোল্লিবোল রেফ্রিগী ইন্টরনেসনল ইগজাম থাবা য়াবা মফমসি অহুমখক লৈ। সেন্তরশিং অদুদি বেহরান, চিনা অদুগা ইন্টরনেসনল রিজনেল সেন্তর চেন্নাই (নেহরু ষ্টেদিয়ম) সিনি।

কুমজা ১৯৯৮ দা চেন্নাইদা তৌখিবা ইন্টরনেসনল রেফ্রি রিফ্রেসর কোর্সসিদা ক্লাস লৌননবা, চিনাদগী জিওং হু হায়বা মীওইসি লাকখি। হায়রিবা কোর্সতুদা মণিপুরদগী ঐখোয় অহুম থাংমৈবন্দগী ইনাওচা, মোইরাংখোম লোকলাওবুংদগী ওজা ইমোবা, ঐ ইশামক্তা শরুক য়াজখি। লোয়ননা ত্রিপুরাদগী মণিপুরদা সাইগী কোচ ওইনা লৈরম্বা চন্দন সেনসু কোর্সতুদা পূন্না ঐখোয় য়াওমীন্নখি।–মথং–মথং

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
বোল্লিবোলদা মিৎয়েং অমা

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৪৮

1. ফুটবোল শান্নবদা মায়োক্লবা শান্নরোয়গী মখোঙদা বোল কাওশিল্লগা মদুদগী চোঙথোরকপা বোল অদু অমুক ফারগা খুদোংচাবা লৌবা অদুবু করি হায়না খঙনবগে?
2. সোভিয়েট লৈঙাক্কী শান্নরোয় অমা কুমজা ১৯৬৮ গী মেক্সিকো ওলেম্পিক্সতা সনাগী মেদল ফংলকপদা কম্যুনিষ্ট লৈবাক্না মঙোন্দা কার অমা খুদোল তৌবদা কার অদুগী নম্বর প্লেটতা ১৭-৩৯ থাদুনা মশীং অদু মহাক্কী কার নম্বর ওইহনখি। কার নম্বর অদুগা মহাক্কী সনাগী মেদল অদুগা করি মরী লৈনবগে?
3. অৱাং নোংপোক্কী শান্নরোয় নুপা অমা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা খেন্ন খেন্নবা চহীদা সনাগী, লুপাগী অমদি সেঞ্জেংগী মেদল ফংখ্রে, মহাক ওলেম্পিক্কীদমক শেম শারি। মহাক কনানো?
4. নিপা অনীনা কন্না হোৎনদুনা গ্রিসতা খৃষ্ট মমাঙ ৭৭৬ তা ওলেম্পিক গেমস অমুক হৌদোকখি। মখোয় অনী অদুগী মমিং পীয়ু।
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

লেঙশিনবিরকউ/
ꯂꯦꯡꯁꯤꯟꯕꯤꯔꯀꯎ
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক
খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।
ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা
হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

হুইয়েন লানপাউ
HUEIYEN LANPAO
MAIN OFFICE: SEGA ROAD, THOUDA BHABOK LEIKAI, IMPHAL

DRINK + DRIVE = DEATH
AN AWARENESS INITIATIVE BY
LIVSAV® DS
Syrup/Capsule
FREE
With Every Livsav Pack Get One Oajm Pain Relief Oinment Free
Hindustan Research Health Products Pvt. Ltd; Thane (Maharashtra).
CUSTOMER CARE:- 0250-2393627
HL-B/3847/3/5-4/6


BOLD AND DECISIVE
DEFEATING CORRUPTION COME WHAT MAY
- Demonetization was a historic decision taken to tackle black money and corruption
- Notification of Benami Property Act after decades of delay and inaction
- Complete transparency in coal, spectrum, FM auctions and environmental clearances
- Blemish Free Governance – Not a single allegation of corruption in 3 years
SECURING OUR NATION RESTORING ITS PRIDE
- Surgical Strikes served as a strong warning to terrorists
- Firm action against terrorists across the Myanmar border
- India the first country from the region to enter Missile Technology Control Regime (MTCR)
UNTANGLING LONG PENDING ISSUES
- Fulfilled decades-old demand for OROP
- Bangladesh border dispute resolved after years of delay
- Consensus on GST after years, leading to a uniform tax system across the nation now
- From now on, Budget to be presented on 1st February, which will enable the budget amount to be utilized properly
Saath Hai, Vishwaas Hai
...Ho Raha Vikas Hai
GOVERNMENT OF INDIA
davp22112/13/0002/1718